# চিলদ্রেন হোমদগী স্পোর্টস করিয়র শেল্লক্লগা জুদোগী কোচ অমা ওইরকখিবা দেবেন মোইরাংথেম



## জুদোদা মীৎয়েং অমা

রত্নেশ্বরি গোশ্বামী

(হান্নগী মখা...)

অসুম্না ঐগী লাইরিক-লাইশু তম্বগী এক্সপেন্দিচর পুম্নমক ব্রদর ভি রোইনা লোইনা পুবীদুনা ঐঙোন্দা চাউনা মতেং পাংবীরকখি। গুরু অসিগী মপান্দগী ঐহাক ক্লাস ঐইট অসি চেক্কোন্দা লৈবা ব্রাইটর একাদেমীদা মীঙ চন্দুনা কাজবা ঙমজরকখি। হায়রিবা স্কুলদুদা ক্লাস মথং মথং তমথদুনা ব্রাইটর একাদে-মীদগী ঐহাক টুয়েল্ভ পাস তৌজর-কখি। লোয়ননা দি এম কোলেজদা গ্রেজুয়েসন লোইশিঞ্জরকখি।

অমরোমদা, ১৯৮৭ গী মতমসিদদি ঐহাক ইশাগা হেন্না চান্নগদবা গেম অমদা মায়ওনশিনবা পান্নকখি। কুংফুগুম্বদা গোল্ড লৌবদা নত্তুনা বেষ্ট ফাইটর ফংলক্লবসু নিংবা কায়বা কয়া অমা থেংনরকখি। মতমদুদা কুংফুগী ওজাশিংনা ইন-টরনেসনল থাক্তা শান্নরুগদবা টুর্নামেন্ট অমা লোস এঞ্জিলসতা তৌগদবা অমদা থাবীগনি হায়না থাজবা পীরম্লগা থাবীখিদে। মরম থিগৎলুবদা নেসনল ফেদরেলনসু মওং মরিন তারমদবা, মিনিষ্ট্রি ওফ য়ুথ এফেয়রস এন্দ স্পোর্টসনসু শকখঙলমদবা গেম ওইরম্বদগী তুংগী খল্লগা কুংফুদগী লাপথোরকখি। চিলদ্রেন হোমদা লৈমিন্নরম্বা ইয়াম্বা বিশ্বমবোর মোইরাংথেমনা গেম চেঞ্জ তৌরো, জুদো ওইনা শান্নরো হায়বীরকপদগী ঐহাক জুদো শান্ননবা হোৎঞ্জরকখি।

থাংমৈবন্দদা লৈরম্বা বিবেকানন্দা কেন্দ্রদা লৈজরিঙৈদা ঐঙোন্দা য়াম্না নুংঙাইজখিবা কাউঙমদবা ৱারী খরা পঞ্জরবদা, তশেংনা হায়জরগদি ঐগী পুন্সিগী তোঙানবা মশক অমা শেমজরকখিবদি কেন্দ্র অদুদগীনি। ব্রদর বি রোই হায়রিবা মীওইসি স্বামী বিবেকানন্দগী অশেংবা সেবকনি হায়। অয়াম্বা মতমদা হিন্দু শাস্ত্রগী, লাইনীংগী ওইবা লাইরিক পাবনা হেবিট ওইনা লৈ। অয়ূক অঙনবা, নুমিৎয়ুংবা, নুমিদাংৱাইরম, তাইবঙ শেম্বা মপূবু শৈথাদুনা শ্লোক থিবসি নুমিৎ খুদিংগী তৌই। অদুগা বিবেকানন্দ কেন্দ্রগী এইম এন্দ ওবজেক্টসিসু মেন মেকিং এন্দ সোসল বিল্ডিং হায়বসিনি।

ঐগী গুরু ওইনা লৈবিরম্বসিগী অশেংবা মমিংসিসু বিবেকানন্দা রোই কৌই হায়না ঐঙোন্দা তাকপীরম্মী। ব্রদর রোই অসি ব্রহ্মচার্য্যনি। মাগী থবক থৌওংসিসু অয়াম্বদি সোসল ৱর্ক ঙাক্তনি। তৌবতদি, হিন্দু লাইনীংদা বেজ তৌরগা স্পিরিচুয়েলগী ওইবা মওংদা তৌই। ৱা তপ্না তপ্না ঙাঙলগা, ঈংনা ৱারী শাবসিদা তাবসু য়াম্না নুংঙাই।

সোসল সার্ভিস, য়ুথ প্রোগ্রাম, যোগগী থৌরমশিং মফম হোং হোংদুনা পাঙথোকপা হায়বসিসু 'বিবেকানন্দ কেন্দ্র' মরু ওইবা থবক অমনি। চহী অমদা মশীং খঙদনা ৱার্কশোপ প্রোগ্রাম, য়ুথ কেম্প নুপামচা অমসুং নুপীমচাশিংগী এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম ময়াম লেপ্তুনা তৌই। ঐহাকসু অদুগুম্বা প্রোগ্রামশিং অদুদা তত্তনা শরুক য়াজরকখি।

চিলদ্রেন হোমদা লৈজরিঙৈদা খঙলকখিদবা, হৈরক্তবা কয়া 'বিবেকানন্দ কেন্দ্র' দা লৈরবা মতমদা খঙজরকখি। ব্রদর রোইগা লৈমিন্নরিঙৈ মতমদা পুন্সিগী মশক অমা লেপ্পসু ঙমজরকখি। মীওইবা অমা ওইনা ইশাগী পান্দম, হিংবগী মতৌ করম্না লেপকদগে হায়বগী মতাংদসু ময়েক শেংনা তাকপীরকখি। ৱাখল চুম্না খনবা ঙম্ননবা, পুন্সিবু মুন্না খঙবা ঙম্ননবা লাইরিক হৈতবা য়াদবনি হায়দুনা ঐবু অশংবা মতমদা লাইরিক অদুম তাকপীরকখি। ঐনা ঙসি মীরক তিনবা ঙমজদুনা ৱাহৈ খরদা ওইরবসু ইংলিসপু ওইরো, হিনি দবু ওইরা ঙাঙবা ঙমজরিবসি ব্রদর রোইগা লোয়নবা ফংজহৌবদগীনি। লাইরিক লাইশুদা নত্তুনা ইথন্তা লূ-নান্না য়ূম অমা পানবগী থবক থৌরমশিংসু নিংথিনা তম্বীরকখি। চাক ঈশিং থোংবা, ফিজু ফিজাম্বা, ৱাই-রম তৈবা, কোল-লিক ফেংবা, মী অমা লাকপদা করম্না ৱেল-কম তৌবা, ৱারী-ৱাতাই শানবা, অদুদসু নত্তুনা চা লোনবা ফাওবা লোইনা তাকপীরকখি। অদুগুম্বা ফজবা চৎন-লোনচৎ, ৱাঙাঙ-শঙাঙ ময়ামদু তপ্না তপ্না হৈজরকপা মতমদা য়াম্না নুংঙাইজখি। পুন্সিসে খরদি মশক থোক্না হিংবা ঙম্লগনি হায়নফাওবা খল্লকখি।

বিবেকানন্দ কেন্দ্রদা লৈরবা মতমদদি চাবা থকপদসু অৱাবা অমত্তা লৈত্রে। পুক থন্না চাবদা নত্তনা, লাইরিক-লাইশুগী মঙাল অমা ফংলকপদুদা পুক্লিংদা অপেনবা অমসু লাকখি। অদুবু ঐখোয় হোমদা লৈহৌরিবা ইয়াম্বশিং, পিক্লিবা মবুক থন্না চাবা ফংহৌদবা ইনাওশিং অদুবু কাউবা ঙমখিদে।

প্রোগ্রাম লৈতবা খিত্তং কোন্নকপা মতমদদি হোমগী ইচিন ইনাও ময়ামদুগী মনাক্তা তুমিন তুমিন চেল্লকখি। হোমগী অঙাংশিং অদুদসু ঐনা তম্বীবা য়াবা কয়া চৎল-চৎলগা তম্বীরকখি। অঙাংশিং অদুনা ঐবু উবদা হরাউজবা, নুংঙাইজবদু ঐহাক কৈদৌনুংদা কাউবা ঙম্লকখিদে। চহী কয়া অৱা-নুংঙাই শরুক য়ামিন্নরক্লবা ঙাক্তা ওইবনা, কেন্দ্রদা নুংঙাইনা তুম্লবসু চহী কয়া অদু হোমগী মঙ অদুম মঙলগা লাকখি।

মীওইবগী পুন্সি খোঙচৎ অসিসু অঙকপনি। হৌখ্রবা মতমশিংদু নীংশিংলুরবদি হৌজিকসু কপ্লিংবা ফাওরকই। পিক্লিঙৈ মতমদা ইমাগী মথাদা ওইনজবা, ইমাগী নুংশিবা করিনো হায়বা খঙদনা ঐহাক চাউরকখিবনি। মী খুদিংমক্কী, অহল-লমনশিংগী, সেনিয়র ইয়াম্বশিংগী য়ানবা চৎলকপদা অৱাবা কয়া অমসু থেংনরকখিদবা নত্তে। পূম্নমক্ত ঙম্না ঙম্নবা ঙাক্তনি। চানীংবা কয়া চাবা ফংলকখিদে। শেৎনীংবা কয়া শেৎপা ঙম্লকখিদে। কৈদৌঙৈ পুক থন্না চাবা ফংজগদগে খনবতনা লাইনীং ওইরকখি। ব্রদর রোইগা থেংনদুনা মাগী মতেং পাঙদুনা লৈমিন্নরকপদগী ঐগী অঙাং ওইরিঙৈদগী খল্লকপা কৈদৌঙৈ পুক থন্না চাবা ফংজগদগে হায়বদুমদি ফংবা ঙমখি। অদুবু, মদুসু শুপ্নগী চহী খরখক্তগী ওইখি। ঐহাক্না বিবেকানন্দ কেন্দ্রদা লৈজরম্বসি চহী অহুমরোমতনি। হায়রিবা চহী অহুমদুদা ঐহাক মী অমা ওইননবগী লম্বেল অমদি শেম্বা ঙমজহৌখি।

-মথং মথং

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ৮৯


১। 'শান্নরোয় অমনা চহী ২২ শুদ্রিবা ফাওবা ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লীগ ক্রিকেটকী অথোই অহেন তান্নবদা শরুক য়াহল্লোইদবনি' ৱাহৈশিং অসি করম্বা শান্নরোয়না হায়খিবনো?

২। ঐসু হোকি শান্নে। ঐগী অপোকপসু শান্নে। ঐগী অপোকপদি ওলিম্পিক্তা সনাগী মেদল ফংখি। ঐহাক্তি শেঞ্জেংগী মেদল অমখক ফংখি। ঐ কনানো?

৩। মণিপুরগী মুক্না যাত্রা *লৈশং যাত্রা* করম্বা মফমদা পোকখি। মহাক্কী পোকফম লৈকায়গী মমিং পীয়ু।

৪। মিষ্টর ৱর্ল্ড টাইটল তরেৎলক লৌখ্রবা অরাম্বম বোবি সিংহ অহানবদা করম্বা মশান্নদা মণিপুরগী মহুৎ শিন্দুনা অথোই অহেন তান্নবদা শরুক য়াখিবগে?

৫। উৎলিবা লাই অসি কনানো?



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ফেব্রুৱারী ২৮, শগোলশেল নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# মণিপুরগী সেনিয়র নেসনল কেরোম টিম মহারাষ্ট্রগীদমক ইম্ফাল থাদোকখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৭ (ঐচএনএস)ঃ মহারাষ্ট্রগী সিন্ধুদর্গ দিষ্ট্রিক্টকী টালুকাকুদারগী বাসুদেবনন ত্রেদ সেন্টরদা থা অসিগী ১৯দগী ২৩ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ৪৭শুবা সেনিয়র নেসনল এন্দ ইন্টর ষ্টেট কেরোম চেম্পিয়নশিপ ২০১৮-১৯দা শরুক য়ানবগীদমক মণিপুরগী সেনিয়র কেরোম টিম মহারাষ্ট্রগীদমক ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

তোঙান তোঙানবা ষ্টেট কয়াদগী সেনিয়র নুপা অমসুং নুপী কেরোম শান্নরোয় কয়ানা শরুক য়াদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ৪৭শুবা সেনিয়র নেসনল এন্দ ইন্টর ষ্টেট কেরোম চেম্পিয়নশিপ ২০১৮-১৯দা শরুক য়াগদৌরিবা মণিপুরগী সেনিয়র নুপা শান্নরোয়শিং অদুদি দব্লিয়ু নেত্রজিৎ, এম মাধোব, এল ঙাম্বোইবা, এন য়াইমস্না, এস অদিত্যা অমসুং টি ঐচ মোইরাংস্নানি।

সেনিয়র নুপী শান্নরোয়শিং অদুদি এ বিদ্যা, এস রোজি, এস বিনিতা, য়ু সোনালিকা, য়ু কাননবালা অমসুং ঐচ চনচননি।

ভেটরান শান্নরোয়শিং অদুদি এস বিমোলজিৎ অমসুং এন সনামতুমনি। মণিপুরগী সেনিয়র অমদি ভেটরান শান্নরোয়শিং অসিবু লুচিংলিবা ওফিসলশিং অদুদি কোচ ওইনা আই কমলা, নুপীগী মেনেজর ওইনা এন রাজেশ্বরি অমসুং নুপাগী মেনেজর ওইনা এন ব্রোজেননি।

# সাইনা নেহৱালনা পি ভি সিন্ধু মায়থীবা পীদুনা নেসনল টাইটল দিফেন্দ তৌবা ঙমখ্রে, সৌরব ভর্ম্মনা নুপাগী টাইটল লৌবা ঙমখ্রে




গুৱাহাতি, ফেব্রুৱারী ১৭(এজেন্সী)ঃ অসামগী গুৱাহাতিদা পাঙথোকপা ৮৩শুবা সেনিয়র নেসনল বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৮-২০১৯গী ঙরাং শান্নখিবা ফাইনেল নুপীগী ফাইনেল মেচতা মমাংগী চেম্পিয়ন সাইনা নেহৱালনা ফাইনেলদা পি ভি সিন্ধুবু মায়থীবা পীদুনা মমাং চহীদা ফংখিবা টাইটল অদু দিফেন্দ তৌবা ঙমখ্রে। নুপাগী কাংলূপ্তা সৌরব ভর্ম্মনা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রে।

গুৱাহাতিদা লৈবা টি আর পি ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা নুপীগী ফাইনেল মেচ অদুদা কুমজা ২০১২ লন্দন ওলিম্পিক গেমসকী ব্রোঞ্জ মেদালিষ্ট সাইনা নেহৱালনা ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপকী সিলভর মেদালিষ্ট পি ভি সিন্ধুগা লম্বা তৌনখি। নেসনল সেনিয়র বেদমিন্ট টুর্নামেন্ট অসিগী টাইটল ৩লক লৌবা ঙমখ্রবী সাইনা নেহৱালনা চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী টাইটল ২রক লৌবা ঙমখ্রবা পি ভি সিন্ধুগা লম্বা তৌনরকপা অদু মমাংগী চহীদা নাগপুরগা শান্নখিবা ফাইনেল অদুগা মান্নখি।

নীংশিংবা য়াবদি কুমজা ২০১৬কী রিও ওলিম্পিক গেমসতা সিলভর মেদল ফংখ্রবী পি ভি সিন্ধুবু হৌখিবা চহীদা ওষ্ট্রেলিয়াগী সিটি গোল্ড কোষ্টতা পাঙথোকখিবা কম্মনৱেল্‌ঠ গেমসকী ফাইনেল মেচতসু মায়থীবা পীদুনা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখি। ঙরাং শান্নখিবা ফাইনেল মেচ অদুগী অহানবা গেম অদুগী অহানবা গেম অদুদা শান্নরোয় অনীগী লম্বা য়াম্না মান্নখি।

অমনা অমবু পোইন্ট য়াম্না হেন্দুনা লাকশিনবা ঙম্নদনা শান্নবা ঙমখি। পোইন্ট মান্নদুনা লৈরক্লবা মতুং গেম অদুগী লোয়শিল্লকপদা পোইন্ট ১৮-১৮দা মান্নদুনা লৈখি। সাইনা নেহৱালগী মায়কৈদগী য়াম্না ফজবা স্মাসকী মতেংনা মখাতারকপা পোইন্ট ৩ থংন-থংননা লৌবা ঙমখিবদগী অহানবা গেম অদু ২১-১৮দা থোইদুনা পি ভি সিন্ধুবু গেম অমা মাংজিল থাদুনা লৈখি।


অনীশুবা গেম অদুগী হৌরকপদা পি ভি সিন্ধুনা ফনা কন্না শান্নরক্লবসু সাইনা নেহৱালগী পৱার গেম অদুদা মতাং মতমচানা পাউখুম পীবা ঙম্লক্তবদগী সাইনানা পোইন্ট মাংজিল থাদুনা লৈখি। মেচ অদুগী মখাতারকপদা সাইনা নেহৱালনা ফজবা হেল্লকপদগী সিন্ধু বু পোইন্ট ১৫দগী হেলহন্দনা ২১-১৫দা অনীশুবা গেম অদু থোইদুনা ৮৩রকশুবা সেনিয়র নেসনল বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অদু ষ্ট্রেট গেম অনীদা থোইদুনা মহাক্না মমাং চহীদা লৌখিবা টাইটল অদু দিফেন্দ তৌবা ঙমখি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা মমাংদা টাইটল ২রক লৌবা ঙমখ্রবা সৌরব ভর্ম্মনা ফাইনেলদা ৱর্ল্ড জুনিয়র নম্বর ৱান ওইরল্লবা সেনিয়র থাক্তা হন্দক্তা শরুক য়ারকখিবা মশাগী চহী ১৭তা ঙাইরিবা উত্তরখন্দগী লক্ষ্য সেনবু মায়থীবা পীদুনা চেম্পিয়ন্সিপ অসি ৩লকশুবা ওইনা লৌবা ঙমখি। ঙরাং শান্নখিবা নুপাগী ফাইনেল মেচ অদুগী অহানবা গেম অদুদা এসিয়ন জুনিয়র চেম্পিয়ন লক্ষ্য সেননা য়াম্না ফজবা মওংদা সৌরব ভর্ম্মগী সোট খুদিংম্মক পাউখুম পীখি।

এক্সপিরিএন্সকী মতাংদা সৌরব ভর্ম্মগী মশান্না অদু লাম্বা ফংদ্রবসু নহা অমা ওইনা ফাইনেল মেচ অদুদা লক্ষ্য সেনগী মায়কৈদগী নীংথিনা শান্নবা ঙমখি। পোইন্ট ১৮-১৮ ফাওবা মান্নরম্বদগী সৌরব ভর্ম্মনা ২১-১৮দা অহানবা গেম অদু থোইদুনা ফাইনেল অদুদা গেম অমা মাংজিল থাদুনা লৈখি। অনীশুবা গেম অদুদদি লক্ষ্য সেনগী মায়কৈদগী সৌরব ভর্ম্মনা তৌরকখিবা এটেক্টশিং অদু পাউখুম পীবা ঙমখিদে। মহাক্কী পোইন্ট ১৩ খক য়ৌরকপদা ভর্ম্মনা পোইন্ট ২১ য়ৌবা হানখিবদগী ফাইনেল অদু মায়পাক্তুনা ইন্দিয়াগী নুপাগী টাইটল লৌবা ঙমখি।

সেনিয়র বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী নুপাগী দবলসতা অনীশুবা সিদেদ পেয়র প্রনব জেরি চোপ্রা অমসুং চিরাগ সেথিনা ফাইনেল টোপ সিদেদ পেয়র অর্জ্জুন এম আর অমসুং শ্লোক রামচন্দ্রনবু ২১-১৩, ২২-২০দা পুংখাই অমা হেন্না শান্নরবা মতুং টাইটল অদু লৌবা ঙমখি। প্রনব জেরি চোপ্রাগী ওইনদি হন্দক্কী নুপাগী দবলস টাইটল ফংখিবা অসি কুমজা ২০১৩ অমসুং ২০১৫দা মথংশিংনা নুপাগী দবলস টাইটল অমসুং মিক্স দবলস টাইটল লৌবা ঙমখিবা অদু থারগা পূন্না নেসনল টাইটল ৩ লৌবা ঙমখি।

# সাইমোনা হালেপ মায়থীবা পীদুনা এলিসে মর্টেন্সনা কটার ওপন টেন্নিস টাইটল লৌবা ঙমখ্রে



দোহা, ফেব্রুৱারী ১৭(এজেন্সী)ঃ কটারগী কোনুং দোহাদা পাঙথোকপা কটার ওপন দব্লিউ টি এ টুর্নামেন্টকী ফাইনেলদা মকোক থোংবা শান্নরোয় রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপপু বেলজিয়মগী এলিসে মর্টেন্সনা মায়থীবা পীদুনা টাইটল ফংখ্রে।

ফাইনেল মেচ অদুগী অহানবা সেটতা শান্নরোয় অনীম্মক গেম ৩-৩ থোইনদুনা য়াম্না লেং মান্নখি। অদুবু মদুগী মখা তারকপা পোইন্ট ১৮ সাইমোনা হালেপনা থংন-থংননা লৌবা ঙমখিবদগী সেট অদু মহাক্না মর্টেন্সপু গেম ৬-৩দা থোইখি। ৱর্ল্ড নম্বর ৩ শান্নরোয় সাইমোনা হালেপনা অনীশুবা সেট অদুদা ঙন্না মর্টেন্সকী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌবা ঙমখি। অদুবু বেলজিয়মগী এলিসে মর্টেন্সনা য়াম্না থুনা ব্রেক অদু হন্দোকপা ঙমদুনা অমুক হন্না মান্নবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অদুদা সিদ্দিং ফংদনা শরুক য়ারকখিবী বেলজিয়মগী এলিসে মর্টেন্সনা অনীশুবা সেট অদুদা সাইমোনা হালেপকী সোটশিং অদু থৌনা লৈনা লম্বা পীরকখি। অদুগা মহাক্না অনীশুবা সেট অদুগী ৯শুবা গেম ব্রেক তৌবা ঙমদুনা ৬-৪দা থোইরগা সেট অমমম মান্নদুনা লৈখি। অরোইবা অমদি দিসাইদিং সেট অদুদা হৌরকপদা মান্নরম্বদগী মশাগী চহী ২৩শুবদা ঙাইরিবী এলিসে মার্টেন্সনা সাইমোনা হালেপকী সার্ভিস গেম অমা অমুক ব্রেক তৌবা ঙমদুনা ৬-৩দা থোইরগা মহাক্কী অহানবা দব্লিয়ু টি এ টাইটল ফংখি।

# ষ্ট্রান্দিয়া মেমোরিএল ইন্টর্নেসনল বোক্সিং টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী টিম মেদল ৫ শোয়দনা ফংলগনি

সোফিয়া, ফেব্রুৱারী ১৭(এজেন্সী)ঃ বলগেরিয়াগী সিটি সোফিয়াদা পাঙথোক্লিবা ৭০রকশুবা ষ্ট্রান্দিয়া মেমোরিএল ইন্টর্নেসনল বোক্সিং টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী টিম মেদল ৫ শোয়দনা ফংলগনি।

ঙসি পাঙথোকখিবা নুপাগী ক্বার্টর ফাইনেল বাউট অমদা ইন্দিয়াগী এসিয়ন গেমস গোল্ড মেদালিষ্ট অমিট পনঘলনা কিলোগ্রাম ৪৯গী কেটিগোরিদা য়ুক্রেনগী বোক্সর নজর কুরোটচিনগা য়াম্না অকনবা লম্বা অমা থেংনরবা মতুং পোইন্ট ৩-২দা মায়পাক্তুনা সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙমদুনা য়ামদ্রবদা ব্রোঞ্জ মেদল অমদি ফংলগনি।

মমিং লৈরবা ইন্টর্নেসনল বোক্সিং টুর্নামেন্ট অদুদা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী নুপী বোক্সর ৪সু সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবদগী মেদল ৪ ফংলগনি। ঙসি টুর্নামেন্ট অসিগী হুমনিশুবা নুমিৎকী শান্নবা লোয়শিল্লকপদা ইন্দিয়াগী টিমদগী বোক্সর ৫ সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।

নুপীগী ২০১৮ ৱর্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা ব্রোঞ্জ মেদল ফংবা ঙমখিবী ইন্দিয়াগী কিলোগ্রাম ৬৯গী কেটিগোরিদা শরুক য়ারিবী লোবলিনা বোর্গোহেননা য়াম্না ফজবা বোক্সিং মশান্না অমা উৎপা ঙমখিবদগী মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেল লম্বা ওইখিবী ব্রাজিলগী বোক্সর সাউরেজ বিট্রিসপু য়াম্না হেন্দুনা পোইন্ট ৫-০দা হেন্দুনা বাউট অদু মায়পাক্লবা সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।

বাউট অদুদা ব্রাজিলগী বোক্সর সাউরেজ ইন্দিয়াগী অসাম ষ্টেটতগী হৌখিবী লোবলিনাগী মশান্না অদুদা খুৎ হনবা ঙমদনা মায়থীহৌবনি। লোবলিনাগী মতুংদা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা বোক্সর নহা ওইরিবী মঞ্জু রাণীনা কিলোগ্রাম ৪৮গী কাংলূপ্তা ইটালিগী বোক্সর বোনাটি রোবর্টাগা লম্বা তৌনরকপদা লোবলিনানা মায়পাকখিবা অদুগুম্না পোইন্ট ৫-০দা হেন্দুনা সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি। নীংশিংবা য়াই মঞ্জু ইন্দিয়াগী কিলোগ্রাম ৪৮গী হৌজিক হৌজিক নেসনল চেম্পিয়ন ওইরিবনি। মহাকসু সেমীফাইনেল য়ৌখিবদগী ব্রোঞ্জ মেদল অমদি শোয়দনা ফংলগনি।

ষ্ট্রান্দিয়া মেমোরিএল বোক্সিং টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী কিলোগ্রাম ৫১গী কাংলুপ্তা ইন্দিয়াগী মমাংদা ৱর্ল্ড জুনিয়র চেম্পিয়ন ওইবা ঙল্লবী নিখৎ জারিননা মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেল বাউট অদুদা বেলারসকী বোক্সর বুরিয়ম য়ানাবু য়াম্না হেন্দুনা পোইন্ট ৫-০দা থোইদুনা সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

ঙসি টুর্নামেন্ট অসিগী হুম্নি শুবা নমিৎকী অরোয়বা বাউট ওইনা ইন্দিয়াগী নুপী বোক্সর নীরজনা য়ূ এস এগী বোক্সর এমিলিয়া মূরবু মায়থীবা পীদুনা সেমীফাইনেল য়ৌদুনা মহাকসু ব্রোঞ্জ মেদল অমদি শোয়দনা ফংলগনি। অদুবু কুমজা ২০১৬কী ৱর্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা সিলভর মেদল ফংবা ঙমখিবী সোনিয়া লাথর কিলোগ্রা ৫৭কী কেটিগোরিদা য়ূ এস এগী বোক্সর রামিরেজ য়ারিসেলগী মখুত্তা পোইন্ট ১-৪দা মায়থীহৌদুনা মেদল ফংবগী মঙলান লোয়শিনখি।

ঙসি অয়ুক্তা পাঙথোকখিবা নুপাগী তোঙান-তোঙানবা বাউটশিংদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী গৌরব সোলানকি অমসু নামন টোমর ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি। কম্মনৱেল্‌ঠ গোল্ড মেদালিষ্ট গৌরব সোলানকিনা কিলোগ্রাম ৫২গী কাংলূপ্তা কজাক্সটানগী বোক্সর মুজাপারোবপু পোইন্ট ৩-২দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখিবনি। মহাক্না সেমীফাইনেল য়ৌননবগীদমক্তা উজবেকিষ্টানগী বোক্সর ফেজোব খুদোন্যজরগা লম্বা তৌনরগনি। খুদোন্যজরনা মহাক্কী প্রিক্বার্টর ফাইনেলদা বলগেরিয়াগী বোক্সর টিনকো বনাবাকোবপু মায়থীবা পীরম্বনি।

ইন্দিয়াগী চহী ১৯দা ঙাইরিবা নুপাগী বোক্সর নমান টনৱরনা পোলেন্দগী বোক্সর মাইকেল সোজিন্সকিবু পোইন্ট ৫-০দা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি। টনৱরনা মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেল বাউটতা য়ুক্রেনগী বোক্সর সর্হি হোর্সকোবকা লম্বা তৌনরগনি। হোর্সকোবনা মহাক্কী প্রিক্বার্টর ফাইনেলদা সর্ভিয়াগী দার্কো ষ্টানকোবিসপু মায়থীবা পীরম্বনি।

ইন্দিয়াগী অতোপ্পা বোক্সর অনকুস দাহিয়া মেসিদোনিয়াগী বোক্সর জাসিন লিয়ামাগা লম্বা তৌনবদা অহানবা রাউন্দ লোয়দ্রিঙৈদা রেফরি ষ্টোপ কনটেষ্টতা লৈহৌখি। ইন্দিয়াগী টিম্না হায়রিবা ষ্ট্রান্দিয়া মেমোরিএল বোক্সিং টুর্নামেন্টকী হৌখিবা চহীদা গোল্ড মেদল অনী য়াওনা পূন্না মেদল ১১ ফংখিবা অদুনা খ্বায়দগী ফজবা ওইখি।

# ইন্দিয়ন সুপর লিগ ফুটবোলগী ১৬শুবা রাউন্দদা বেঙ্গালুরু এফ সিবু দেল্লি দাইনামোসনা পাঞ্জল ৩-২দা মায়থীবা পীখ্রে



ন্যু দেল্লি, ফেব্রুৱারী ১৭(এজেন্সী)ঃ ইন্দিয়ন সুপর লিগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী পোইন্ট টেবল মাংজিল থাদুনা লৈরিবা বেঙ্গালুরু এফসি ঙসি দেল্লি দাইনামোসনা পাঞ্জল ৩-২দা মায়থীবা পীখ্রে।

ঙসি ন্যু দিল্লিগী জৱাহরলাল নেহরু ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা ১৬শুবা রাউন্দগী মেচ অদুগী মাংওইননা য়ুম্থু ক্লব দেল্লি দাইনামোস মেচ ১৫ শান্নখিবদা মেচ ২খক মায়পাক্লগা ৬ দ্রো চৎলবা মতুং মেচ ৭ মায়থীবা নংদুনা পোইন্ট ১২ ফংলগা ক্লব ১০না শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী ফুটবোল লিগ টুর্নামেন্টশিংগা মনুংদা খ্বায়দগী থাকৱাংবা টুর্নামেন্ট ওইরিবা ইন্দিয়ন সুপর লিগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা ৯শুবা পোজিসনদা লৈরম্বনি। অমরোমদা বেঙ্গালুরু এফ সি মেচ ১৫ শান্নখিবদা ৯ মায়পাক্লগা দ্রো ৪ অদুগা মেচ ১ মায়থীবা নংদুনা পোইন্ট ৩১ ফংলগা টেবলগী মকোক্তা লৈরম্বনি।

মেচকী হৌরকপা ইকুই কুইদ্রিঙৈ মিনিট ৮ চঙশিল্লকপদা য়ুম্থু ক্লব দিল্লি দাইনামোসনা পুশিনখিবা এটেক্ট অমদা য়ুলিসিস দাবিলানা বেঙ্গালুরুগী পেনাল্টি বোক্স ময়ায়দগী কাওশিনখিবা সোট অদু গোল ওইদুনা মাংজিল থাবা ঙমখি। মখাতানা বেঙ্গালুরুনা ইক্বেলাইজর ফংননবা হোৎনরকখিবা অদু শান্নবগী ১৮শুবা মিনটতা টিম অদুগী শান্নরোয় মণিপুরদগী হৌখিবা বোইথাং হাওকিপনা দিল্লি দাইনামোসকী ওই থংবা গোল পোষ্টকী কাচিন্দা চঙহনবা ঙমখি।

অপীবা মিনটত ৪৫গী মতম লোয়শিনখিবদা টিম অনীম্মক মখাতবা পাঞ্জল হাপচিনবা ঙমদনা অহানবা হাফ অদু লোয়শিনখি। অনীশুবা হাফতা বেঙ্গালুরুগী মায়কৈদগী কেপ্তেন সুনিল ছেত্রিনা ৭১শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা চনবা ঙমদুনা দিল্লি দাইনামোসপু ২-১দা হেন্দুনা লৈখি। পাঞ্জল অদুগা ইকান কান্নদনা দাইনামোসকী মায়কৈদগী পুশিল্লকখিবা এটেক্ট অমদা নরায়ন দাসনা পীরকপা ক্রোস অমা টিমমেট দেনিএল লালিমপুৱানা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা ইক্বেলাইজর অদু চন্দুনা মেচ অদু য়াম্না লম্না মান্নবা মওংদা পুরকখি।

শান্নবা লোয়গদবা মিনটত য়ামশিল্লক্তৰদা টিম অনীম্মক্কী শান্নরোয়শিংনা অহেনবা পাঞ্জল অদু চন্নবা য়াম্না কন্না হোৎনরকখি। মেচকী ৮০শুবা মিনটতা দিল্লি দাইনামোসকী মায়কৈদগী ইক্বেলাইজর চনখিবা দেনিএল লালিমপুৱানা য়াম্না ফজবা ওই থংবা খোঙনা শাফু কন্না কাউশিনখিবদা পাঞ্জল ওইদুনা বেঙ্গালুরুবু মখোয়না পাঞ্জল ৩-২দা হেন্দুনা লৈখি। লেমহৌবা মিনট ১০ রোমগী মতম অদুদা বেঙ্গালুরুগী মায়কৈদগী শোংখিবা পাঞ্জল হন্দোক্লবা য়াম্না কন্না হোৎনরকখিবা অদুবু দিল্লি দাইনামোসকী দিফেন্দরশিং অদুনা য়াম্না চেকশিন্না শান্নবা ঙমদুনা ঙসিগী মেচ অদু য়ুম্থু ক্লব অদুনা ৩-২দা থোইদুনা পোইন্ট টেবলদা থাক অমা হায়গৎলগা পোইন্ট ১৫ ফংলগা ৮শুবা পোজিসনদা লৈবা ঙমখি।